**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-01-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না দি.এম. য়ুনিভর্সিতি অমসুং মণিপুর টেকি কেল য়ুনিভর্সিতিগী শেমগৎ শাগৎলিবশিং য়েংশিনখ্রে।

২) শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়রি- শিক্ষাগী মগুন হেনগৎহন্নবা স্কুল ফগৎহনশি অমসুং কলেজ ফগৎহনশি মিসনশিং পাঙথোক্কুনা কন্না হোৎনরি।

৩) মনিপুর বিধান সভাগী সদস্য অমদি হান্নগী মন্ত্রি-লৈখিদ্রবা এন. কাইসাগী মফমদা ঙসি রাজ্যগী থাক্তা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- সাইন্তিষ্ট অমসুং ইনোভেতরশিংগী মতেংনা লৈবাক অসিনা স্পেচ টেকোলোজিগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎপা ঙম্লক্লি।

অমসুং

৫) ৮৫ শুবা ওল ইন্দিয়া প্রিসাহদিং ওফিসারস কনফরেন্স হয়েংদগী পাটনাদা হৌরগনি।

------

সিএম (এল)ঃ মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না দি.এম. য়ুনিভর্সিতি কেম্পস মনুংদা ওদিতোরিয়ম, হোষ্টেল য়াওনা শেমগৎ শাগৎপগী থবকশিং ঙসি মফম অদুদা চত্তুনা য়েংশিনখ্রে।

খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- কলেজ ওইনা লৈরম্বদগী মীয়ামগী মতেংদগী ঙসিদি য়ুনিভসিতি অমা ওইবা ঙমলে। য়ুনিভর্সিতি অমা ওইবগী

লৈফম থোকপশিং ওজা য়াওনা ষ্টাফশিং মতিক চানা থমবা হোৎনরি। মসিগী মথক্তা য়ুনিভর্সিতি অসিগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর নিংথিনা শেমগৎনবা হোৎনরি। মহাকা হায়- সরকার অসিনা শিক্ষাবু তঙাইফদবা অমা ওইনা লৌদুনা অৱা অনা কয়া থেংনরবসু মহে মশিং তম্বগী ফিভম ফগৎহন্নবা হোৎনরি। দি.এম. য়ুনিভর্সিতি অমসুং মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি অনি অসি লুপা কোতি ৭৫ চংনা নৌনা শেমগৎপগী থবক চত্থরি।

খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- স্কুল ফগৎহনশি, কলেজ ফগৎহনশি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী থৌশিল থৌরাং কয়াগী মখাদা শেমগৎ শাগৎলকপদগী রাজ্য অসিগী শিক্ষাগী থাক লেপ্পা লৈতনা ৱাংখৎলক্লি। ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং নিংথিনা শেমগৎতুনা মপান লমদা মহে মশিং তম্বা চৎপদা চাউরবা শেনফম কয়া চাদিং তৌরিবা অসি হন্থহন্নবা কন্না হোৎনরি।

মুখ্য মন্ত্রিনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অদুনা তাকয়েলদা লৈবা মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতিদসু চত্তুনা য়েংশিনখি। খোঙচৎ অদুদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- মণিপুর টেকিকেল য়ুনিভর্সিতি অসিদগী নহা ওইরিবা মহেরোই কয়া নিংথিনা মখোঙ শোমদুনা মতিক চাবা মীওই অমমম ওইহন্নবা দরকার লৈবা খুদিংমক শেমগৎ শাগৎপগী থবক চত্থরি।

কাইশা (এল) ঃ মনিপুর বিধান সভাগী সদস্য অমদি হান্নগী মন্ত্রি-লৈখিদ্রবা এন. কাইসাগী মফমদা ঙসি রাজ্যগী থাক্তা ইকায় খুমবা উৎখ্রে।

লমফেলপাৎতা লৈবা মহাক্কী ক্বাটরদা মনিপুর রাইফলসকী কন্টিজেন্ট অমনা গার্দ ওফ ওনর পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

ৱার্ক্স মন্ত্রি-গোন্দিদাস কোন্থৌজম, ফোরেষ্ট মন্ত্রি-থোঙাম বিশ্বজিৎ, ৱাটর রিছোর্সেস মন্ত্রি-অৱাংবৌ ন্যুমাই, সি.এল.পি. লুচিংবা ওক্রম ইবোবী, এম.এল.এশিং অমদি অতৈ লুচিংবা লাক্তুনা মহাক্কী মফমদা লৈ-শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎখি। রাজ্যগী থাক্তা ইকায় খুমবা উৎলবা মতুংদা লৈখিদ্রবা লুচিংবা অসিগী হকচাং মহাক্কী পোকফম সেনাপতি জিলাগী মখান খুনৌ ভিলেজদা পুখ্রে। মহাক্কী অরোইবা মথৌ মঙম হয়েং পাঙথোক্কনি হায়রি।

মহাক্কী মফমদা ইকায় খুমবা উৎপা ওইনা হয়েং রাজ্য সরকারগী মখাদা লৈবা মহৈ লোইশঙশিং অমদি ওফিসশিং হাফ হোলিদে ওইগনি।

এন. কাইসা, নেসনেল পিপলস পার্টিগী ষ্টেট প্রসিদেন্ট ওইরম্মী। মহাক তাদুবী বিধান সভা কেন্দ্রদগী ইং ২০১৭ তা অহানবা ওইনা কারক্তুনা ট্রাইবেল এন্দ হিলস এরিয়াজ অমসুং ফিজরিজকী মন্ত্রিসু ওইরম্মী।

মহাকা লৈখিদবদা, মনিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ-থোকচোম সৈত্যবরতানা অৱাবা ফোংদোরক্লি। সেনাপতি জিলাগী তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিংনসু এম.এল.এ কাইসানা লৈখিদবদা অৱাবা ফোংদোকরক্লি।

জিরিবাম (এল)ঃ নাসা মুক্ত ভারত অভিয়ান কেম্পেনগী মখাদা ভোলুন্তিয়ারশিংগী ওইবা নোংমগী ওইবা ত্রেনিং ওফ ত্রেন্নর হায়বা থৌরম অমা ঙসি জিরিবামগী কালিনাগরদা লৈবা নিউ ইনকারনেসন আই.আর.সি.এ কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা এন.আই.সি-আই.আর.সি.এ জিরিবামগী প্রোজেক্ট কো-ওর্দিনেতর এস. জিতেন্না হায়-নিশা শিজিন্নদবা সমাজ অমা ওইহনশি হায়বা পান্দমদা কেন্দ্র সরকারগী মীৎয়েং মখাদা রাজ্য অসিগী জিলা খুদিংদা পাঙথোক্কদবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি জিরিবাম জিলাদা পাঙথোকপনি।

মোদি ঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি-ঐখোয়গী সংবিধানবু শেন্বীরম্বশিং অদুগী ৱাখল্লোন্দগী ইথিল লৌরগা মখোয়না পামজরম্বা ভারত অদু শেমগৎনবা হোৎনরবদি শোয়দনা মহৈ চাগনি।

অকাশবানিগী থোংদা ঙসি শন্দোকখিবা মহাক্কী ১১৮ শুবা মন-কি-বাট থৌরমদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাক অসিদা গনতন্ত্র চৎনরকপা চহি ৭৫ শুরকপদা সংবিধানবু শেন্বীরম্বা মীওইশিংগী মফমদা ইকায় খুমবা উৎখি। মহাকা হায়-লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহি কয়া অসিদা লোকতন্ত্রগী মপাঙ্গল কনখৎলকপগা লোয়ননা হেন্না চাউখৎলক্লি।

মহাকা হায়-মতমগী মতুং ইন্না মীখলগী থৌশিল থৌরমদা টেকিকেলগী ওইবা থৌওংশিং শিজিন্নরকখি। মায়ামসু ইশাগী হক শিজিন্নবীদুনা লৈবাক

অসিগী গনতন্ত্রগী ঈচেলদা শরুক য়াবীনবসু শ্রী মোদিনা হায়রি।

নুমিৎ খরনিগী মমাংদা উত্তর প্রদেসকী প্রয়াগরাজদা হৌখিবা মহা কুম্ভাগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- মহাকুম্ভ মেলা মসিনা ভারত অসি অপুনবগী লীপুন অমত্তনা পুল্লি হায়বদু তাকই। হন্দক্কী মহাকুম্ভা মেলাদা নহা কয়ানা শরুক য়াবা উরি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- নহাশিংনা মশাগী সভ্যাতাদা চাউথোকচবগা লোয়ননা চৎমীন্নরবা মতমদা তুংগী য়াইফরবা পুন্সি অমা ওইহনবা ঙমগনি। শ্রী মোদিনা হায়-ঐখোয়না চাউখৎপগী লম্বীদা চংশিনবগা লোয়ননা ইপা-ইপুশিংনা থম্বীরম্বা শক্তম কয়া অসিবুসু ঙাক শেনগদবনি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- সাইন্তিষ্ট অমসুং ইনোভেতরশিংগী মতেংনা লৈবাক অসিনা স্পেচ টেকোলোজিগী লমদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎপা ঙল্লক্লি। লৈবাক অসিনা স্পেসকী লমদা খুমাং চাউশিল্লকপগী মতাংদা পল্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-চৎলিবা চহি অসি হৌরকপদা ভারতনা স্পেসকী লমদা পুৱারী ওইহৌরগদবা থৌওং কয়া পাঙথোকখি। ভারতকী স্পেস-টেক স্তার্টঅপ অমা ওইরিবা বেঙ্গলুরুগী পিক্স সেলনা লৈবাক অসিগী অহানবা মশাগী ওইবা সেটিলাইট কন্সটেলেসন ফয়ার ফ্লাইট মায় পাকা লোঞ্চ তৌখি। হায়রিবা কন্সটেলেসন অসি মালেমগী খ্বাইদগী হাই রিজোলুসন লৈবা অমনি। মসিমক লৈবাক অসিনা স্পেস টেকোলোজিদা মাংজিল থাবতা নত্তনা মরোমদোম লেপচবা ঙমবগী মায়কৈদা থাংজিনবা অচৌবা খোঙথাং অমনি। হন্দক লৈবাক অসিগী বৈগ্যানিকশিংনা সেটিলাইটশিংগী স্পেস দোক্কিং তৌহন্দুনা লম অসিদা মায় পাকপা মালেমগী মরিশুবা লৈবাক ওইখিবা অদুসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি। মমাং থাগী ৩০ দা স্পেসতা মহৈ মরোং থাবা য়ানবগী লম্বী য়াৎপা ওইনা বৈগ্যানিকশিংনা লোবিয়া মরু ময়োল চোংহনবা ঙমখ্রে হায়নসু মহাকা ফোংদোকখি।

স্তার্টঅপ ইন্দিয়ানা চহি ৯ মপুং ফারকপদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা শ্রী মোদিনা হায়-অচৌবা সহরশিংদা নত্তনা অতৈ সহর মচা কয়াদসু স্তার্টঅপকী থৌওং পায়খৎপা উবা ফংলে অমসুং অপিকপা স্তার্টঅপশিংদা মরুওইনা নুপীশিংনা থবক তৌবা উবা ফংলি। লাক্লিবা জানুৱারী ২৩, নেতাজি সুভাসচন্দ্র বোসকী মপোক নুমিৎ অসি ঐখোয়না পারাকরম দিবস হায়না

পাঙথোকই। সুভাসচন্দ্র বোস অসি মীৎয়েং শানবা লুচিংবা অমনি হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

ট্রেনিং (এল)ঃ য়ুনাইতেদ কমিতি মণিপুর অৱাং সেকমাই য়ুনিতনা শিন্দুনা নোংমগী ওইবা চেঙ্গুম থাবগী ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙসি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী অৱাং সেকমাই কৌজেং লৈমাদা লৈবা এদভান্স ৱিমেন সোসাইতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা চেঙ্গুম থাবগী মওং মতৌ অমসুং চেকশিন থৌরাংশিং শুগাইনা তাকপী তম্বীখি।

এনএএসি (এল)ঃ এন.জি মণি কলেজনা নাক এক্রিদিতেসনদা গ্রেদ-বি ফংলকপদা কলেজ অসিগী ইন্তরনেল ক্বালিতি এসুরেন্স সেলগী টিমবু কলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিনা তরামা ওকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী খুরাই চাইরেনথোংদা লৈবা কলেজ অসিদা ঙসি পাঙথোকপা থৌরমদা ৱা ঙাংলদুনা কলেজ অসিগী গভর্নিং বোদিগী সেক্রেটরি এস. সোমোরেন্দ্রোনা হায়- ভারতকী মনুংদা লৈবা হায়র ইজ্কেসনশিংবু এক্সেস তৌনবগীদমক নুমিৎ নিনি চুপা লাকখিবা য়ু.জি.সি টিমা য়েংশিল্লবা মতুংদা কলেজ অসিবু নাক এক্রিদিতেসনদা গ্রেদ-বি পীখিবনি। থৌরম অদুদা কলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল ডাঃ দব্লিউ. জিবনকুমার অমসুং ভাইস প্রিন্সিপাল উমাকান্তসু শরুক য়াখি।

বুক (এল)ঃ ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেনদা থা অসিগী ১৫ দগী হৌদুনা বুক ফিয়ার ২০২৫ পাঙথোক্লি। লময়ানবা পাব্লিকেসন্সনা শিনবা লাইরিক্কী মেলা অসি থা অসিগী ২৪ ফাওবা চত্থগনি।

শৈরেং (এল)ঃ ইরমদম মীয়ামগী অপুনবা খোর্জে লুপ অৱাং পোৎশংবম খুনৌ অমসুং সহিত্যা য়োকখৎ কাংলুপ তেন্থা অনিনা পুন্না শিন্দুনা ৬ শুবা নিংথমগী খোঞ্জেল হায়না মীংথোনবা শৈরেং অমসুং ৱারী মচা পাথোকপগী থৌরম অমা ঙসি তেন্থাদা লৈবা মল্টিতি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা নুপা ২০, নুপী ১৫ পুন্না মীওই ৩৫ না শৈরেং অমসুং ৱারী মচা খুদোল তমখি।

কেম্প (এল)ঃ  রিমস ইম্ফাল অমসুং গ্রাম বিকাশ মণিপুর অনিনা পুন্না খুৎশমদুনা কুম্বিগী রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ২০০ রোম লায়েংখি।

মীফম ঃ    ৮৫ শুবা ওল ইন্দিয়া প্রিসাইদিং ওফিসারস কনফরেন্স হয়েংদগী পাটনাদা হৌরগনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অদু লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা হৌদোক্কনি। হৌদোকপগী থৌরম বিহার লেজিসলেচরগী সেন্ত্রেল হোলদা পাঙথোক্কনি। অদুগা প্লেনারি সেসন্না বিহার বিধান সভাদা লোক সভা অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সভাপতি ওইনা পাঙথোক্কনি।

বিহার বিধান সভাগী অধ্যক্ষ নন্দকিশ্বর যাদবনা হায়- ভারত সংবিধানগী চহি ৭৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অসিদা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী লাকপা লেজিসলেতিভ বোদিশিংগী প্রিসাইদিং ওফিসারশিংনা শরুক য়াগনি। নুমিৎ নিনি চথুগদবা মীফম অসিদা পুন্না দেলিগেট ৩০০ হেনবনা শরুক য়ানবা পান দম থল্লি।

এনদিআরএফ ঃ  নেসনেল দিজাষ্টর রেস্পোন্স ফোর্স (এন.দি.আর.এফ)কী ২০ শুবা রেজিং ডে নুমিৎতা ঙসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ইকায় খুমবা উৎখ্রে। সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী মোদিনা হায়- এন.দি.আর.এফকী পার্সোনেলশিংগী থৌনা অমসুং  কৎথোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থৌদাংশিংবু থাগৎফম থোকই। মখোয়না কন্না হোৎনবদগী মমল য়াম্লবা পুন্সি কয়া কনবতা নত্তনা লন-থুম কয়া কনবা ঙম্লি। লৈবাক অসিগী এন.দি.আর.এফ অসি খুদোংথিবা থৌদোকশিং থোরকপা মতমদা নিংথিনা মায়োকবা ঙম্বা মালেমগী থাক্তা মীয়ামা শকখঙনবা ফোর্স অমা ওইরে হায়নসু প্রধান মন্ত্রিনা শিংথাখি।

এন.দি.আর.এফকী ২০ শুবা রেজিং ডে নুমিৎতা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা এন.দি.আর.এফকী পার্সোনেলশিংদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে।

অশ্বিনিঃ কেন্দ্রগী ইনর্ফোমেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈষ্ণবনা সুইটজরলেন্দগী দাবোসতা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড ইকোনোমিক ফোরম ২০২৫ দা শরুক য়াগনি।

থৌরমদুদা শ্রী বৈষ্ণবনা লৈবাক অসিগী চাউখৎ থৌরাংগী মোদেলশিং উৎকনি। মহাক্কী খোঙচৎকী মাংওইননা মন্ত্রিনা খুন্নাইগী কাংলুপ খুদিংমক মরুওইনা চাউখৎপগী মায়কৈদা শোত্থহৌরবশিংগীদমক হোৎনরিবশিং অদুগী মতাংদসু ফোংদোকখি। মহাকা হায়-নুমিৎ মঙানি চত্থগদবা থৌরম অদুদা পুমমক্কী ওইনা চাউখৎপা খুন্নাইগী অমদি দিজিটেল ইনফ্রাষ্ট্রকচর চাউখৎহন্নবগী মতাংদসু কুপা খন্নগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

রামেশ্বর (এল)ঃ স্পেসিয়েল এসিষ্টেন্স টু ষ্টেটস ফোর কেপিতেল ইনভেষ্টমেন্ট (সচি) গী শেন্থুং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন ককচিংগী ফুটবোল গ্রাউন্দ শেমগৎনবা এম.এল.এ- ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা মরী লৈনবা ওফিসিয়েলশিংগা পুন্না চত্তুনা য়েংশিনখ্রে। সচিগী মখাদা নেচরেল গ্রাসকা লোয়ননা শেমগৎকদৌরিবা ফুটবোল গ্রাউন্দ অসিদা মীওই লিশিং ১,৫০০ চনবা আর.সি.সি. গেলেরি, সব-সর্ফেস্স দ্রেনেজনচিংবা কয়া শেমগৎকনি হায়রি।

ফুটবোল(এল)ঃ মরিসুবা মাষ্টর ডাঃ মোইরাংথেম মনাউতোন সিংহ এন্দ এম. চন্দ্রশখি দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ২০২৪ গী ঙসি লমলোং থোংখোঙ আর্তিফিয়েল টর্ফ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ু.ভি.এস.এনা ই.এম.ভি.এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে। তুরনামেন্ট অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচ থা অসিগী ২১ দা ভি.এস.এ.আই অমসুং ভি.এফ.সি থেংনরগনি। অনিসুবা সেমি ফাইনেল মেটচতা এফ.এল.এ.কে অমসুং য়ু.ভি.এস.এ থা অসিগী ২২ দা শান্নগনি।

ফুটবোল(এল)ঃ ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা পাঙথোক্লিবা কর্নেল ক্ষেত্রিমযুম অরুনকুমার মেমোরিয়েল ফোর্থ ইন্তর ক্লব ফুটসাল তুরানমেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এন.এফ.এনা অবাবু পাঞ্জল ১৩-১১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ ভারত লান্মীনা শিন্দুনা বিষ্ণুপুর জিলাদা ঙসি ক্নাক্তা ফুটবোল তুরনামেন্ট হৌদোকখ্রে। নুমিৎ ১৩ নি চুপা চত্থগদবা তুরনামেন্ট অসিদা টিম ১৬ না শরুক য়াগনি।

ফুটবোল(এল)ঃ থিংঙুজম ওংবী ঙানবী দেবী মেমোরিয়েল ফুটবোল তুরনামেন্টকী ঙসি ৱাই.বি.সি লংদুম অমসুং অবা ক্ষেত্রিগাউ অনিগী মরক্তা শান্নগদবা মেটচ অবা ক্ষেত্রিগাউ লাক্তবদগী ৱাই.বি.সি লংদুমনা ৱাক্ষ ওভর ফংখ্রে।

ফূটবোল(এল)ঃ এম.পি.এ. থৌনাওজমনা শিনদুনা থৌনাওজম প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরিবা অনিশুবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফি ২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা লমজিংবা এফ.সি কৈরক অমসুং টি.দি.এস তেজপুর পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা লাংলেন এফ.সিনা শুগনু এফ.সিবু পাঞ্জল ৪-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল(এল)ঃ হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমদি হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা পুন্না শিনবা মঙাশুবা চন্দ্রনদি ত্রোফি-২০২৫ গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা ৱার্ল্ড প্রো লংথবাল অমসুং আই.এস.আই.সি লম্লাই পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই.এস.সি. নাওরেম চাপ্রৌনা ঙান্থোই এফ.সি করামবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

------